# কেরলা ব্লাষ্টর্স এফসিনা হায়দরবাদ এফসিবু ২-০দা থোইদুনা আই এস এলগী অহানবা মেটচ মায়পাকপা ঙমখ্রে

**28th Dec, Monday (41st Match)**
**Bengaluru FC vs Jamshedpur FC**
**Time : 7:30 PM**



কেরলা ব্লাষ্টর্সকী জিক্সন(য়েৎ)না হায়দরবাদ এফসিগী শান্নরোয়দগী বোল মুন্নবা হোৎনখিবা

বাম্বোলিম, দিসেম্বর ২৭(এজেন্সী): মণিপুর মচা থৌনাওজম জিক্সন য়াওবা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সিনা ঙসি বাম্বোলিমদা লৈবা জি এম সি ষ্টেদিয়মদা হায়দরবাদ এফসিবু পাঞ্জল ২-০দা থোইদুনা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা অহানবা ওইনা মায়পাকপা ঙমখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সি মমাংদা শান্নখিবা মেটচ ৬তা ৩ মায়থীবা নংখিবা অমসুং অতোপ্পা মেটচ ৩না দ্রো চৎখিবদগী পোইন্ট ৩ ফংলগা ৯শুবা পোজিসন্দা লৈখিবনি। অমরোমদা হায়দরবাদ এফসিনা মখোয়গী মেটচ ৬ শান্নবা লোয়শিনখিবদা মেটচ ২ মায়পাকপা ঙমখিবা অমসুং মেটচ ৩ দ্রো চৎলবা মতুং মেটচ অমা মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট ৯ ফংলগা ৮-শুবা পোজিসন্দা লৈখি। টিম অদুনা ঙসি মায়পাক্কুনা পোইন্ট ১২ ফংবগী মংলানগা লোয়ননা ৫শুবা পোজিসন্দা হাইগৎনবা কন্না শান্নরকখি।

হায়দরবাদ এফ সিদা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোয় চিংলেন্সনাসু শরুক য়াখি। মেটচ অদু হৌরকপদা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সিগী মায়কৈদগী এটেক ঙন্না চখুখি। জোর্দান মুরেনা শান্নবগী ৩শুবা মিনটতা বোল অদু হায়দরবাদ এফ সিগী পেনাল্টি বোক্স ফাওবা পুশিনবা ঙমখি অদুবু দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা বোল অদু মুন্দুনা কান্নবা ফংখিদে।

মেটচকী ২৯শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু কেরলা ব্লাষ্টর্সকী মায়কৈগী চনখি। ফাকুন্দো পেরেরানা কাওরকখিবা কোর্নর কিক অমা টিমমেট অব্দুল হাক্কুনা হেদ তৌশিন্দুনা গোল চনখিবনি। অহানবা হাফকী লোইশিল্লকপা ফাওবদা হায়দরবাদ এফ সিগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর অদু ফংবা ঙমদনা মিনট ৪৫গী শান্নবা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা শরুক মখাতাবা পাঞ্জল চনবা ঙম্নদ্রিঙৈ মেটচ লোইগদবা মিনট ২দা ঙাইরবা মতমদা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সিগী মায়কৈদগী পুশিল্লকখিবা এটেক অমদা জোর্দান মুরেনা পাঞ্জল চন্দুনা মেটচ অদু ২-০দা থোইখি।

| Pos | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Mumbai City FC | 7 | 5 | 1 | 1 | 11 | 3 | 8 | 16 |
| 2 | ATK Mohun Bagan FC | 7 | 5 | 1 | 1 | 8 | 3 | 5 | 16 |
| 3 | Bengaluru FC | 7 | 3 | 3 | 1 | 11 | 8 | 3 | 12 |
| 4 | Northeast United FC | 8 | 2 | 5 | 1 | 10 | 8 | 2 | 11 |
| 5 | FC Goa | 8 | 3 | 2 | 3 | 10 | 9 | 1 | 11 |
| 6 | Jamshedpur | 8 | 2 | 4 | 2 | 9 | 9 | 0 | 10 |
| 7 | Chennaiyin FC | 7 | 2 | 3 | 2 | 7 | 7 | 0 | 9 |
| 8 | Hyderabad FC | 7 | 2 | 3 | 2 | 6 | 8 | -2 | 9 |
| 9 | Kerala Blasters FC | 7 | 1 | 3 | 3 | 8 | 11 | -3 | 6 |
| 10 | East Bengal Club | 7 | 0 | 3 | 4 | 5 | 13 | -8 | 3 |
| 11 | Odisha FC | 7 | 0 | 2 | 5 | 5 | 11 | -6 | 2 |

# ইন্দিয়াগী কেপ্টেন আজিনক্যানা আউট ওইদনা রন ১০৪ লৌদুনা শান্নখিবনা ওষ্ট্রেলিয়াদগী রন ৮২ হেন্দুনা লৈরি

মেলবোর্ন, দিসেম্বর ২৭(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী কেপ্টেন অজিনক্য রহানেনা ঙসি ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নবা অনীশুবা টেষ্ট মেটচ অদুগী নিনিশুবা নুমিৎকী শান্নবা লোয়শিনখিবদা আউট ওইদনা রন ১০৪ লৌদুনা লৈখিবা অদুনা ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর অদু বেটচমেন ৫ আউট তাখিবদা রন ২৭৭ লৌদুনা ওষ্ট্রেলিয়াদগী রন ৮২ হেন্দুনা লৈরি।

নীংশিংবা য়াই, থা অসিগী ১৭তা এদলেদতা শান্নখিবা অহানবা টেষ্ট মেটচ অদু ওষ্ট্রেলিয়ানা য়াম্না হেন্দুনা ৱিকেট ৮দা থোইথিবনি। মেবর্বোর্ন ক্রিকেট গ্রাউন্দদা ঙরাংদগী শান্নবা হৌখিবা অনীশুবা টেষ্ট মেটচ অদুগী টোস ওষ্ট্রেলিয়ানা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌরকপদা ইন্দিয়াগী বোলর বুমরানা ৱিকেট ৪, আশ্বিননা ৱিকেট ৩ লোয়ননা অহানবা টেষ্ট মেটচ শরুক য়ারকখিবা মুহম্মদ সিরাজনা ৱিকেট ২ অমসুং রবিন্দ্র জদেজানা ৱিকেট অমা লৌদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী অহানবা ইন্নিংস অদু রন ১৯৫গা লোয়শিলহনখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী বেটচমেন লাবুসাঙ্গেনা রন ৪৮ লৌখিবা অদুনা খ্বায়দগী য়াম্বা স্কোর ওইখি। ঙরাং ইন্দিয়ানা মখোয়গী অহানব ইন্নিংস শান্নবা হৌখিবা অদু ওভর ১১ শান্নখিবদা ৱিকেট অমা আউট ওইরগা রন ৩৬ লৌদুনা লৈখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ওপনর ময়াঙ্ক অগরৱাল রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা ওষ্ট্রেলিয়াগী মিটচেল ষ্টার্কনা আউট তাহনখি।

ঙসি মেটচ অসিগী নিনিশুবা নুমিৎকী শান্নবা হৌরকপদা ঙরাং রন ২৮ লৌদুনা লৈখিবা সুমান গিল অমসুং রন ৭ লৌখিবা চিটেশ্বর পুজারানা ইন্নিংস মখা চথুরকপদা অপুনবা স্কোর অদু ৬১ য়ৌরকপদা সুবমান গিল বোল ৬৫ মায়োক্ত বদা ফোর ৮ য়ৈরগা রন ৪৫দা ওষ্ট্রেলিয়াগী পেট কম্মিন্সনা আউট তাহনখি। মহাক্কী মহুৎ কেপ্টেন অজিনক্য রহানেনা শিনখি।

চিটেশ্বর পুজারা শুপ্নগী রন ১৭ শুরকপদা কম্মিন্সনা আউট তাহনখি। হনুমা বিহারি অমসুং কেপ্টেন রহানেনা ইন্নিংস মখা তাখি। মখোয় অনীনা পুন্না ওভর ২০ হেন্না শান্নমিন্নরকপদা রন ৫২গী পার্টনর্শিপ অমা শেমদুনা অপুনবা স্কোর অদু ১১৬ য়ৌহনখি। বিহারি রন ২১দা আউট ওইখ্রবা মতুংদা রিশব পন্টনা রহানেবু মতেং পাংখি। পন্ট রন ২৯দা আউট ওইদুনা ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর অদু ১৭৩ শুখি। রবিন্দ্র জদেজা অমসুং আজিনক্যানা মখাতানা আউট ওইদনা মথংশিংনা রন ১০৪ অমসুং ৪০ লৌদুনা ওষ্ট্রেলিয়াদগী রন ৮২ হেল্লি।



ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়োক্তা আউট ওইদনা রন ১০৪ লৌদুনা শান্নরিবা কেপ্টেন আজিনক্য রহানে (ওই)

# মোমোটানা ওল জপান বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে



টোকিও, দিসেম্বর ২৭(এজেন্সী): বেদমিন্টনগী নুপাগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় জপানগী কেন্টো মোমোটানা ঙসি লোইশিনখিবা ওল জপান বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

জপানগী মায়কৈদগী মথং চহীগী জুলাই থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা গোল্ড মেদলগী অচৌবা থাজবা অমা কেন্টো মোমোটাদা থল্লিবনি।

পনবা য়াই, হৌখিবা চহীদা মালেসিয়া মাষ্টর্স টাইটল ফংলবা মতুং কেন্টো মোমোটা ময়ূম হন্নবগীদমক এয়রপোর্ট য়ৌবগী লম্বেলদা মহাক্না তোংলকখিবা কার অদু এক্সিদেন্ট থোক্তুনা শোকখিবদগী মতম শাংনা শান্নবা ঙমদনা লাকখিবনি। মহাক্কী মীৎকী শরূ অদু কায়খিবনি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা মোমোটানা অতোপ্পা জপানগী শান্নরোয় ৱর্ল্ড নম্বর ১১ কান্টা সুনেয়ামাবু সেট ৩ চঙনা শান্নরবা মতুংদা মায় পাকখি। হন্দক্কী টুর্নামেন্ট অসি মহাক্না এক্সিদেন্ট থোক্লরবা মতুং শরুক য়াবা অহানবা টুর্নামেন্ট ওইরি। অহানবা সেট কান্টানা ২১-১৮দা থোইখি। অদুবু মোমোটানা মখা তাবা সেট অনী অদু ইৱা ৱাদনা ২১-১২, ২১-১৭তা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অদুগী চেম্পিয়ন ওইখি।

# অর্সনেলনা চেলসি পাঞ্জল ৩-১দা থোইবা ঙমখ্রে ন্যু কাসল য়ুনাইটেদ মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মখুত্তা পাঞ্জল ০-২দা মায়থীহৌরে

লন্দন, দিসেম্বর ২৭(এজেন্সী): অর্সনেল ফুটবেল ক্লবনা চেলসিবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে। ন্যু কাসল য়ুনাইটেদকী টিম মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মখূৎতা পাঞ্জল ০-২দা মায়থীবা নংখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ১৫শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা অর্সনেলনা য়ূম্বু ওইরগা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ ইমেরেটস ষ্টেদিয়মদা চেলসিগা লম্বা তৌনখি। চেলসিগী টিম মমাংগী রাউন্দ ১৪ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ২৫ ফংলগা ৭শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা অর্সনেলগী টিম মেটচ ১৪দা পোইন্ট ১৪ ফংলগা ১৫শুবা পোজিসনদা লৈখি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী পুংখায় অমরোমগী মতমগী লম্বাদা টিম অনীমক পাঞ্জল চনশিন্নবা ঙম্নখিদে। অদুবু ৩৪ শুবা মিনটতা অর্সনেলগী এটেক অমদা পেনাল্টি অমা ফংখি। খূদোংচাবা অদু টিম অদুগী শান্নরোয় অলেকজেন্দর লকাজেটনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ১-০দা মাঙজিল থাখি। অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট অমত্তা ঙাইরবা মতমদা মখা তানা এটেক চথুখিবা অর্সনেলগী ফ্রী কিক্ অমা ফংখি। মদুবু টিম অদুগী শান্নরোয় গ্রানিট ঝাকানা পাঞ্জল চন্দুনা হাফ অদু লোইশিনখিবদা মখোয়না চেলসিবু ২-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

চেলসিগী টিম ঙরাংগী মেটচ অদুদা মপূং ফানা অর্সনেলনা খূদুম চন্দুনা অহানবা হাফ অদু মখোয়গী ওইখি। অনীশুবা হাফ শান্নরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মিনট ১১ চঙশিল্লকপদা অর্সনেলগী মায়কৈদগী চথুরকপা অনৌবা এটেক অমদা ইমিল স্মিথ রোৱিনা পীরকপা বোল অমদা বুকায়ো সাকানা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা চেলসিবু ৩-০দা মখা তানা হেন্দুনা লৈখি।

চেলসিগী মায়কৈদগী শোথখিবা পাঞ্জল ৩ অদু হন্দোক্লবা হোৎনরকপদা মিনট ২০ হেন্না শান্নরবা ফাওবদা কান্নবা অমত্তা ফংখিদে। মেটচকী ৮৫শুবা মিনটতা চেলসিগী মায়কৈদগী কেলম হাদসননা ফংবা বোল অমা মফম চানা ইন্থোরকখিবদা টিমমেট টামি অব্রাহমনা পাঞ্জল অমা চল্লগা শোথরম্বা পাঞ্জল ৩গী মনুংদা অমা হন্দোকপা ঙমখি। অদুবু লেমহৌবা ইঞ্জুরি টাইমগী মতম হাপচিল্লগা মিনট ১০ রোমগী মতম অদুদা চেলসিগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী মেটচ অদু অর্সনেলনা ৩-১দা থোইরগা লোইশিনখি।

মেঞ্চেষ্টর সিটিনা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ ইটিহাদ ষ্টেদিয়মদা ন্যু কাসল য়ুনাইটেদকা শান্নখি। মেটচ অদু টিম অনীমক্কী ১৪শুবা রাউন্দনি।

মেঞ্চেষ্টর সিটি মমাংগী মেটচ ১৩দা পোইন্ট ২৩ ফংলগা ৯শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা ন্যু কাসল য়ুনাইটেদ মেটচ ১৩দা পোইন্ট ১৮ ফংলগা পোইন্ট টেবলদা ১৩শুবা পোজিসনদা লৈরমখি।

মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী ১৪শুবা মিনটতা ইলকেগুন্দোগননা মহাক্কী টিমমেট রাহিম ষ্টর্লিংনা পীরকপা বোল অমদা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল ওইখি।

মেটচকী অনীশুবা হাফ লোইশিল্লকপা শুপ্নগী মিনট ১০ চঙশিল্লকপদা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা পুশিল্লকপা এটেক অমদা ফেরান টোরেজনা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা লৈখি। মখা তাবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী মেঞ্চেষ্টর সিটিনা থোইদুনা পোইন্ট ২৬ ফংখিবগা লোয়ননা ৫শুবা পোজিসনদা লৈরি।



অর্সনেলগী গ্রানিট ঝাকানা চেলসিগী মায়োক্তা গোল ওইখিবা ফ্রি কিক কাওবা

# চাইনানা স্পোর্টসতা দ্রগ শীজিন্নবা ক্রাইমনি হায়খ্রে



বৈজিং, দিসেম্বর ২৭(এজেন্সী): চাইনানা হন্দক্তা লৌখিবা লৈবাক অদুগী লেজিসলেচরগী ১১শুবা এমেন্দমেন্ট অদু থবক ওইনা পাঙথোক্লবগীদমক শান্নবদা দ্রগ শীজিন্নদুনা পর্ফোর্মেন্স ফজহন্নবগী পাম্বৈ শীজিন্নবগী থৌওং অদুবু ক্রাইমনি হায়না লাউথোকখ্রে।

চাইনাগী ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সী ওইরিবা জিনহুৱাগী রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না থাংজ নুমীৎতা নেসনল পীপলস কোংগ্রেসকী ষ্টেন্দিং কম্মিটিনা ভোট থাদনদুনা আর্টিকল ৩৫৫ অদু এমেন্দ তৌদুনা শান্নবদা দ্রগ শীজিন্নরম্বশিং অদুবু ক্রিমিনেল অমনি হায়না লৌরগনি হায়খি।

কনাগুম্বা অমনা শান্নরোয়শিংদা মোইথেম তৌদুনা নৎত্রগা খঙহন্দনা লোন্না ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কাউন্সিলনা থিংখ্রবা পোৎয়ানশিং ইন্টরনেসনল নৎত্রগা দোমেষ্টিক স্পোর্টস কম্পিটিসনশিংদা শীজিন্নবা থেংনরবদি চহী ৩ কৈশুমশঙদা থম্বগা লোয়ননা শেলসু ফাইন ওইনা থীহনগদৌরি।

হায়রিবা চৈরাকশিং অসিদগী হেনগৎপা মওংগী ওইনা এথলিটশিংবু খোমজিন্দুনা থিংখ্রবা পোৎয়ানশিং পীজনবা হোৎনরম্বশিংগী ওইগদৌরি। খঙনা-খঙনা পোৎয়ানশিং অসি শীজিন্নরবদি ক্রাইম ওইগদৌরিবনি। এমেন্দ তৌখিবা অদুনা চাইনাগী মায়কৈদগী এন্টি দোপিংগী থবক থৌরমশিংগী খ্বাইদগী অনৌবা খোঙথাংনি। মথং চহীগী মার্চ ১দগী চৎনগদৌরি।

# নাওমী ওসাকানা এসোসিএটেদ প্রেসনা পীবা ফিমেল এথলিট ওফ দি ইয়র মনা ফংখ্রে



পেরিস, দিসেম্বর ২৭(এজেন্সী): মালেমগী ওইনা মমিং লৈরবা পাউগী এজেন্সী 'দি এসোসিএটেদ প্রেস'না নুপীগী টেন্নিস শান্নরোয় জপান মচা নাওমী ওসাকাবু কুমজা ২০২০গী ওইনা ফিমেল এথলিটকী মনা অদু মঙোন্দা পীননবা লাউথোকখ্রে।

হন্দক চহীগী ওইবা অরোইবা গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ু এস ওপন টেন্নিসকী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখি। হায়রিবা টাইটল অদু মহাক্কী করিয়রগী অহুম্লকশুবা গ্রান্দস্লাম টাইটলনি।

দি এসোসিএটেদ প্রেসনা তোঙান-তোঙানবা এজেন্সী অসিগী মেম্বর স্পোর্টস এদিটরশিং অমদি বিট রাইটরশিংগী মরক্তা পাঙথোকখিবা ভোটনা নাওমী ওসাকাবু খল্লকপনি। শান্নরোয় অমা ওইবতা নৎতনা জাৎ-কুচুদা মীচঙ-মীখায় নাইরকপা অমদি পুলিসকী কা-হেনবা থৌদোকশিংগী মায়োক্তা এক্টিভিষ্ট অমসু ওইনা নাওমী ওসাকানা থবক পায়খৎখি।

মহাক্না য়ু এস এদা চথুখিবা পুলিসকী কা-হেনবা থৌওংশিংদা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগী ভিদিও য়েংলুবদা থম্মোয় শোকখি হায়না ঈ-মেলদা ফোঙদোরকখি। পূন্না ভোট মশীং ৩৫দা পোইন্ট ১৮ ফংদুনা বাস্কেটবোলগী শান্নরোয় ব্রেনা ষ্টৈৱার্টকী পোইন্ট ৯ লোয়ননা ফুটবোল শান্নরোয় সারা ফুলরগী ভোট ১দগী মহাক্না হেনখিবনি।

পনবা য়াই, এসোসিএট প্রেসনা ঙরাং নুপাগী শান্নরোয়গী মমিং লাউথোরকপদা য়ু এস এগী এন বি এদা শান্নরিবা লিব্রোন জেমসকী মমিং খনখি।

# থৌদামদা শগোল কাঙজৈগী এগজিবিসন মেট্চ শান্নখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচএনএস): মণিপুর মচা অমা ওইবদা ঐখোয় চাওথোকচবা ফাওই হায়না ওল নোমিনি থৌদাম লাইন দিপার্টমেন্টনা স্পোন্সর তৌদুনা থৌদাম কনবা লুপনা শীন্দুনা থৌদাম ইরোং থোকচোম লাইশ্রম লৈরক্তা লৈবা থৌদাম পব্লিক গ্রাউন্দদা এগজিবিসন মেট্চ ওইনা শগোল কাঙজৈ শান্নখিবগী থৌরম অমদা খাঙবোক এ সীগী এম এল এ ওক্রম সুরজকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মহাক্না মখা তানা হায়, বৃটিশনা মণিপুরদগী শগোল কাঙজৈ মশান্না অসি পুদুনা চৎলগা মালেম পুম্বদা পোলো হায়না মমিং থোল্লগা শান্নবা হৌখিবনি। ঙসিদি মণিপুরদা শান্নবদা লৈবাক কয়াগী মীওই লাক্তুনা শান্নররি। মণিপুর লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লদুনা পোনিশিংবু ঙাক শেন্দুনা থম্বগী তঙাইফদবা লৈবগী মথক্তা মশান্না অসিবু মুৎখিদনবা মীয়াম পূন্না শেন্নমিন্নসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# রাজাইমৈ য়ুঠ স্পোর্টস মীট এ দি সী মেম্বর রাংপুং জোননা ঙসি সেনাপটিদা হৌদোকখ্রে



সেনাপটি, দিসেম্বর ২৭(ঐচএনএস): রাজাইমৈ য়ুঠ এন্দ ষ্টুদেন্টস স্পোর্টস মীট ২০২০ ঙসি ১০-ৱিলোং দি সী সীগী এ দি সী মেম্বর ওইরিবা রাংপুং জোননা চীফ গেষ্ট ওইদুনা হৌদোকখ্রে।

নুমীৎ ৪নি চুপ্না পাঙথোক্কদৌরিবা স্পোর্টস মীট অসি মফম অদুগী ৱিলোং সর্কল ভিলেজগী লুচিংবশিং, চর্চ লুচিংবশিং, লোকল, য়ুঠ এন্দ ৱিমেন ওর্গনাইজেসনশিংসু হৌদোকপগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

চীফ গেষ্ট ওইখিবা রাংপুং জোননা ফোঙদোকখিবদা, নহা ওইরিবশিংনা চাউখৎপগী লম্বেলদা অচৌবা থৌদাং লৌননবা হায়খি। লোয়ননা এন্টি সোসল এক্টিভিটিশিংদগী লাপথোক্না লৈনবা আপিল তৌখি।

মহাক্না মখা তারদুনা ঈং-তপ্পা, লিংজেল মান্নবা অমসুং চাউখৎপা হায়বসি নহা ওইরিবশিংগী মায়-কৈদগী থৱায় য়াওশিল্লবা মতমদা ওইগদবনি। রাজাইমৈ ভিলেজগ্রাউন্দ অসি মপূং ফাবা অচৌবা গ্রাউন্দ অমা ওইহন্নবা হোৎনগনি হায়খি।

হৌদোকপগী নুমীৎ অদুদা ৱিলোং সর্কল ভিলেজ ওথোরিটি লীদরসকী টিম অমগা রাজাইমৈ ভিলেজকী ভেটরান্সকী টিমগা ফুটবোলগী ফ্রেন্দলি মেটচ অমা শান্নখি। মদুদা রাজাইমৈ ভেটরান্সকী টিম অদুনা পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখি।

থৌরম অদুদা কে জোন্সন অমসুং এল এগনিসনা মোদরেটর ওইখি।

# আই সী সীনা চহী ১০গী ওইবা ক্রিকেট টিমশিং লাউথোকপদা ভিরাট কোহলি অমসুং মহেন্দ্র ধোনিগী মমিং য়াওখ্রে

দুবাই, দিসেম্বর ২৭(এজেন্সী): ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলনা হৌখিবা চহী ১০ অসিদা ক্রিকেট ফজনা শান্নরকপা শান্নরোয়শিংগী ওইবা তোঙান-তোঙানবা ফোর্মেট অহুমগী টিম লাউথোকপদা টেষ্টকী ওইনা ভিরাট কোহলিনা কেপ্টেন অদুগা টি-২০ অমসুং ৱান দে মেটচকীনা মহেন্দ্র সিংহ ধোনিনা কেপ্টেন ওইনা লাউথোরকখি।

টেষ্ট টিমগী ওইনা ভিরাট কোহলিনা কেপ্টেন ওইরগা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী স্পিন্নর রবিচন্দ্র অস্বিনগী মমিং য়াওরি। অতোপ্পা শান্নরোয় অতৈদি টিম অসিদা মমিং য়াওবা ঙমখিদে।

মেটচ শান্নগদবা টিম নৎত্রবসু আই সী সীনা লম-লমগী ওইনা খ্বাইদগী ফজনা শান্নখিবা শান্নরোয়শিংগী টিম অমা লাউথোকপনি। টেষ্টকীদা ভিরাট কোহলি (কেপ্টেন), ইংলেন্দদগী এলিষ্টিয়র কুক, ষ্টোর্ট ব্রোদ, জেমস এন্দরসন অমসুং বেনষ্টোক য়াওরি। ওষ্ট্রেলিয়াদগী দেবিদ ৱার্নর অমসুং ষ্টিভ স্মিথ, ন্যু জিলেন্দদগী কেন ৱিলিয়মসন, সাউথ অফ্রিকাদগী দেল ষ্টিন, স্রি লঙ্কাদগী কুমার সঙ্গকারা অমসুং ইন্দিয়াগী রবিচন্দ্রন অস্বিন য়াওরি।

টি-২০ অমসুং ৱান দে টিমগী কেপ্টেন মহেন্দ্র সিংহ ধোনিনা ওইরগা অতোপ্পা শান্নরোয়শিং অদুদি ইন্দিয়াগী রোহিট শর্ম্মা, জস্প্রিট বুমরা অমসুং ভিরাট কোহলিনি। অতোপ্পা শান্নরোয়শিং অদুদি খৃষ্ট গেল অমসুং কৈরোন পোলার্দ, স্রি লঙ্কাগী লাসিক মালিঙ্গা, ওষ্ট্রেলিয়াগী গ্লেন মেক্সৱেল অমসুং অরোন ফিন্স, সাউথ অফ্রিকাগী এবি দি ভিলিয়র্স অমসুং অফঘানিষ্টানগী রসিদ খাননি।

ৱান দেগী টিমদনা ইন্দিয়াদগী ধোনি, রোহিট শর্ম্মা অমসুং ভিরাট কোহলি য়াওরি। ওষ্ট্রেলিয়াদগী দেবিদ ৱার্নর অমসুং মিচেল ষ্টাক, ইংলেন্দদগী বেন ষ্টোক্স, ন্যু জিলেন্দদগী ট্রেন বোল্ট, সাউথ অফ্রিকাগী ইমরান তাহির অমসুং এবি দি ভিলিয়র্স, বাংলাদেশকী সাকিব অল হাসন অমসুং স্রি লঙ্কাগী মালিঙ্গানি।




## EMPLOYMENT NEWS

☞ 22 to 28 yrs Office Asst. ওইনবা মীওইশিংগী ওইনা Thoubal, Kakching, Sekmai, Nambol অমসুং Samurou গা নক্নবা মীওইশিংগী ওইনা Post 2/2 পামজৈ।

☞ 2 Wheeler Mechanic 2, Car Wash Helper 2, Tyre Fitting Helper 2, Iron W/Mistry 2, চেক্কী Mistry 2, Jugali 5 অথুবদা পামজৈ।

Please Contact :
M.B. Singh
Mobile No. 8413973840

HL-B/6497/18-30 (alt)


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com